*“কদোমদনো লম্বেলসিবু চীনগা খূৎকা মান্নদবা*
*লমথুংফমগা লম্বেলগা শন্নদবা।”*
*- এলাংবম নীলকান্ত (চৎলসিনে কদাইদনো ইবানি)*

# শৈরেং

## বসন্তগী অঙন্বা চীংমায়

মফম খুদিং
লিরিবা মালং
লুম্বু শাবা কোরৌ মঙাল
চপ মান্নে অচীকপসু
নাকেন্থাগী উপালশিং
অঙন্বা চীংমায়দা হৌরিবা
য়েনিং হুল্লে ঙম্নমক
ঐহাক্কুদি থিরি
কদাইদা
সুভুতিনা
হীরী কোল্লীবা
অদুবু খঙহৌদনা
অয়ূক্কী লৈচিল মরুমদগী
লম্বীদো খাইদোকখি লীশীং থোক্লা।

--Muso Soseki, (Zen লম্বোইবা), Sun at Midnight: Poems and Semons হায়না ইংলিসতা W.S. Merwin and Soiku Shigematsu না হন্দোকপদগী শ্রীভক্তনা মণিপুরীদা অমুক হন্দোকপা।

## ৱাহংতনা থল্লবা ৱারী

**—প্রিয়াঙ্কা তোইজম**

ৱারীনি শকখঙদবা অমগী
তারি মাগী মায়থোংদা
অৱাবগী মমি কয়া’মা,
তারি ফোঙঙমদ্রবা পাউখোং কয়া’মসু
লোল্লি মরৌ লৈবা মরোল কয়া
মাগী মিৎস্না অনীমক্তা।
শকখঙদবা মাগী মাইথোংদুদা
পাউখোংনা য়োল্লবা মীনোক,
নোক্লি মাগী চিনবান’দুনা
লীরি লোইনাইদ্রবা ৱারী
ৱাহংতনা থল্লবা ৱারী,
ৱাহংতনা থল্লবা ৱারী।

## চৎলোকো পাঙ্গনবা

**—ডা. অকোইজম ইবোহল**

পলেম্লসু নাউয়োক্তা
পম্থৌনসু নাউকোন্দা
পুন্সিগী অঙনবা অয়ূক্তা
লমজা পুন্সি লেল্লকপোই
শকহেনবা নঙবু পাম্মুবা;
মৈবু ফিনা কুপ্পা য়াদবগুম
লোৎশিন্দুনা থম্বা য়ারক্তদুনা
ফূদোরকখিদো নকন্থিদি
মীনা লাকচবা য়াদবা
নতৌদো তাইবঙনা শকখঙখি;
নথৌনা নরিংজেল ফূদোক্তুনা
য়েক্লবা লম্বা কয়াবু
মায়থীবা পীদুনা নহাক্লা
মিংচৎ উরোং খিল্লমখি
মণিপুরবু মালেমদা শক্তাকখি;
ঙাল্লমখি শান্নবুংগী অতিয়াদা
মুৎনাইদ্রবা ধ্রুব তারাগুম
নশেক নঙাল শিন্দুনা
লমজিং লমতাকপীরম্মই নহাক্লা
নরোই ননাউ কয়া কয়াবু;
মপুনা নহাক্কী থারকপা
চৈথেক চৈশিং শুজিল্লক
নংহৌররোই মতাগুম চৎখিবদি
করি পেন্দববু লৈবগে
মৈচাকসে করম্নবু খাঙলসিগে?
কোরৌ থাজনা লৈরিমখৈ
নহাক্কী মিংলেন অথোইবদি
মুৎনাইদনা অদুম লৈহৌরগনি
খান্বী মৈনসু ৱাইররোই
লাইজ ঈশিংনসু থুন্মৎলরোই।

## থাজখিদ্রবা মীৎকুপ অসিনা

**(তামো যোদ্ধচন্দ্র সনসমগী মফমদা কৎচবা)**

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

মপোক অসিগী মীওই মপোল্লক্তা
থেংনখি মীৎকুপ খরদং,
মঙালদি ফংহৌদে
মৈশাদি লাংহৌই।
লৈচিল নোংফাই থাংদ্রবা
অশংবা অতিয়া মকোইদা
লাপ্পা উবা অরংবা থৱানমীচাক্কুম
মায়থোঙ য়াম্বা থৱানদো
ঙসিদি কদাই,
লোৎখ্রবরা লৈচিল নোংফাইলক্তা।
সংসারগী কাইফদ্রবা
অহান অকোনগী
চৎন-পথাপনি,
ঈচেল অসিদা
তাওথখিগদবা ঙাক্তনি।
মসি খক্তংদি হায়জনীংই
নহাক্কী খূৎশেম অসিদি
অঙকপনি অঙকপা।

## মোমোন্নবী থৌবাল তুরেল

**— সমোম রঘুমনি**

কুমগী নোংজু লাক্লগা
অকনবা ঈচেলগা লোয়ননা
ঈমাই চোন্না চেঙ্গবী
নঙনি থৌবাল তুরেল-ও।
নিংথম মমৈ ওইরগা
ফালগুনী গঙ্গাগুম ঈচেলনা
মচি মচি কংনা ইচেনবী
নঙনি থৌবাল তুরেল-ও।
ইকং থাগী ঈচেলদা
লেমলৈ ঙানা নুঙ্গাইরক্তা
মনিং তম্না শান্নজবী
পুকচেল তপ্পী তুরেল-ও।
চহী কুমজা কয়ানো
নঙগী ইরোন্নুংদা শৈদাংবা
করাম চাওবশিংগী চাক্তাফম
ওইখিবী থৌবাল তুরেল-ও।
কুম্বং শানা নৈখাইবীদুনা
অঙন্বা কয়াগী শেন তানফম
ওইখি কনাগী ৱাকৎ তাদা
অদুঙৈগী থৌবাল তুরেল-ও।
হে কোভিদ নঙনা লাকপদা
মীয়াম কয়ানা মীপাইনবা
পেন্দমিক নঙগী লাইচৎসু
থুংলরবদা তোর্বান নক্লা তুরেল-ও।
ঙসি জুনগী তম্খাই ২০২১
ইনাং শানা নৈরুরবা
ঈচেলগী মচু থৈরক্লে
উবদা থৌবাল তুরেল-ও।
কুম-লায়না চহী কয়া
শকফম ওল্লুরবা নঙগী মায়থোঙ
মোমোনবা নঙগী ঈচেলনা
উররে থৌবালগী তুরেল-ও।
কোভিদনা লাকপসিদা মৈত্রবাক্তা
পেন্দমিক্কী চৈথেং মরক্তা
মোমোন নোকচরে ঙসিদি
ঈচেল নঙগীদি তুরেল-ও।

## মোংফম ফুরা

**— এল চিত্র**

মোংফম ফুরানা তেংথারি
ঙসি থাশি অহিংসিদা
ঙসিদি কনাসু লাক্তে
লৈ অমত্তসু কৎপীরদে
ঙসিদি কনাসু লাক্তে
মৈরা অমত্তসু থানবীরদে
মোংফম ফুরানা তেংথারি
ঙসি থাশি অহিংসিদা
ঐনা শিরমদাইদদি কপ্পীবনি মখোয়না
ঐনা শিরবদা তেংথারীবনি মখোয়সু
মোংফম ফুরানা তেংথারি
ঙসি থাশি অহিংসিদা
ঙসিদি কনাসু লাক্তে
লৈ অমত্তসু কৎপীরদে
ঙসিদি কনাসু লাক্তে
মৈরা অমত্তসু থানবীরদে
মোংফম ফুরানা তেংথারি
ঙসি থাশি অহিংসিদা
ঐগী মরুপ হায়ববু
কুফেৎ কাফেৎ ঙাল্লিবা
তন্দন অসিতনি
মোংফম ফুরানা তেংথারি
ঙসি থাশি অহিংসিদা।

## ঐগী খোঙফম

**— কৈথেল্লাকপম খুমনঙন্বা মঙাঙ**

য়াওরিয়ে ঐসু নোক্লিবসে মীয়াম্না
থম্মোয় পেনবগী চাং য়ৌনা নোক্লিয়ে
অদুবুনে
নেৎলিবনা খোঙফমসিদি মৈথক্তা
মৈশাসিদি ফাওরক্কনু য়াদিয়ে।

## য়াকাইরোল

**— মৈশ্নাম বীরমনি পাল্লারবোন্দ**

হে থৌনা ফবা অপঙবা
কৈদনো নঙনা চৎলিবা
কনানা তাননবা লাওরিবা
নরৈবাক নীংবা শক্কেরা?
মৈতৈ মচানি ঐখোয়দি
শক খঙবনি মালেমনা
নিশা চাবদা ফাওবনি
লিন অমোমদসু শিঙন্বনি।
তাখি নোংমা শোয়দনা
খোংখি লাওখি নোংশাগুম
মরৈবাক নুংশিবগী খোঞ্জেলনা
য়েংলুবদা তারম্মী উতুপকুম।
থৌরাং লোইখ্রে কনাদি
নোংমৈ বোম টোপ
থল্লোই হায়রি নমিফাও
চাহৌরো থকহৌরো ঙাওহৌরো।
পায়রি নঙদি অথৌবা
মালেমনা তুজুংলবা খূৎলায়
লীক্লি য়েতুম ঙান্থক
হাৎনরো লান্দারো শিজরো।
অংগ্রেজনা কিখিবা মৈতৈ
মালেমনা কিরল্লনি ঙসিদি
হয়েংগী নম্বো উবদা
লমদম কৈদা থারগবা।
য়াকাইরো পাঙ্গনবা নোংশা
তূল্লগনু পাংনা পাংনা
নপাম লমদমসে মৈৱাইরক্লে
নখূৎনা খান্বী মৈকনহৌরোগবা।

## লৈরাংনি ঐখোয়

**—অয়াম ইবেতোম্বী**

ঐখোয় পূন্বা লৈরাংনি
শেন্বীবা মপুগী লৈকোন্দুগী
হেক্লসনু মপুনা হেক্লিংবা মতমদা
কেনগদবগী ঙাইরিবসু য়াওরি লৈখোক্তগী
করিগী অদুক মিকারি হেক্লিংবনা।
ঐখোয় পূন্বা লৈরাংনি
শেন্বীবা মপুগী লৈকোন্দুগী
য়ৈথৎপীগনু ঐখোয়বু তমথীরবা চৈশাংনা
শিংনা শারগনি লৈরাংগী লৈনাদো
মপুনা লৌবীররোই নখোয়না কৎলুবদা।
ফরে, ঙাইরো মতম খরদংদি
শোয়রোই কেনবদি মতমনা লোইরবদা
লৈরাংনিকো ঐখোয় লৈশাৎ তল্লিবা
শেন্বীবা মপু মাগী লৈকোন্দুদা।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# রাজকুমার বিদুর
# ইয়াইগী থম্বালনা খঙখিদ্রবা সনাগী থম্বাল অমা



করম্বা ৱাহৈনা হৌরগা করি ৱাহৈ হায়রগা ঐনা ইকায়খুম্নজখিবা য়াম্বুং রাজকুমার বিদুরগী মরমদা শৈথাদুনা কৎচগদগে? মিৎতা উরি মাঙ্গোন্দা থাবা অপীকপা টেবল অমগী মথক্তা ডেক্সনারি অমা লাইরিক খরা, নুংতিগী ফোঙবা চেপাউশিং,চে কলম পায়রগা ফমদুনা লৈবা। করিগুম্বদা য়াম্বুংগী য়ূমগী মথক্তা লৈবা কাদা কারকউ হায়দুনা য়াম্বুংগী চিক্লা লৈবা ইচম চম্বা লাইরিক পাফম অহাঙবা মফমদা হেক হেক ফম্মিন্নে। কাওনখিগদ্রা হায়দুনা ঙাইহাক লৈতনা হেক হেক নীংশিংনৈ টেলিফোনদা, করিগুম্বদা ঐগী য়ূমদা লেঙবীরকখি,ঐনা অমুক য়াম্বুংগী য়ুমদা তোয়ননিনি। নোংমা নিনি খোঞ্জেল তানদবদা কৈদৌবা য়াওরগে হংনখি। ইমুং-মনুংগুম্না লোয়নরকপনা করিগুম্বদা কন্না কন্না ঙাঙনৈ,খুম্নে। লাইরিক লাইশুগী, নাৎকী, মণিপুরী সিনেমাগী, খোরিরোলগী ৱারী শানখি। করিগুম্বদা মী উন্নরুসি হায়দুনা হেক হেক চৎমিন্নে। উনগদৌবা মী য়াম্না ৱাৎলি নঙহৌরোই হায়দুনা ৱারী ৱাতায় শাহৌরুনবা মীশিংগী মমিং মথা ফাওবা ইথোক্লগা খন্দোক্তুনা থম্মিন্নে। অরীবা পোৎলম, চৎনবী, মতম অমগী নাৎকী মশক খঙহৌবা উহৌবা, জগোয় ঈশৈ লীলা ড্রামা,খুৎ-শা হৈবা লমদমসিগী অহল লমনশিংগী মনাক চৎনবগী থৌরাং তৌরগা লৈমিন্নখি। অশং অশংবা নুমিৎতা চৎলগা য়াম্বুং ইবানি হেক হেক মীশিং উন্নরুই। করিগুম্বা য়াম্বুংগী নাক্তা থবক চিন্দুনা ঐনা চৎলুদবা থোকলগদি য়াম্না শাওই চৎলুরগনা ‘কদোমদগীনো চেক্লা, লাংমৈথানবী শংলব্রা’ হায়দুনা হেক হেক লক্নরকখি। য়াম্বুংসু অদুম চিল্লি সঙ্গ চাউই। য়াম্বুংনা শংলগদি হরাউ হরাউ তৌবী। করিগুম্বা অমা হায়রুবদা সেনিয়র সিটিজনগী মিটিং লৈ, ক্রিকেট লৈ হায়গল্লি। ঐনা হৈনদবা অমখক্তি য়াম্বুংনা থৱায় খ্বাইদগী য়াওখিবসি ক্রিকেটনি। অরুবা ৱা থবক ফনা লৈরগসু ক্রিকেট লৈ হায়রগদি ঐখোয়না ঙাঙবা য়াম্বুংনা তাদে। য়াম্না লূনা লৌজদুনা লাইরিক ফোংবা লৈ, থৌরম লৈ লাকপীনবা হায়রুবদা ক্রিকেট লৈবা নুমিৎ থোক্লুরগদি লাকখিদে। ঐনা য়াম্বুংবু চপ চানা খঙজে। ঙসি ঙরাংতগী লোয়নরকখিবা ঙল্লিঙৈদগী য়াম্বুংগী শক খঙজরকই, লোয়নজরকখি। ঙন্তানা য়াম্বুংগী মতুংইনবা হৌরে। এলাংবম রজনিকান্তগী ‘থাজগী অঙৈংবা মায়থোং’ অমদি ওঝা শীতলজিৎকী ‘ইন্থোকপা’ ৱারী মচা অনীসি য়াম্বুং ইবানিগী খ্বাইদগী পামজবা হঞ্জিন হঞ্জিন ঙাইহাক শংবদসু ৱারী অতৈ লোইরগা ৱারীমচাগী ফজবা নৈনমিন্নজখিবনি। য়াম্বুং বিদুর অকনবা সোসিএল অমদি কলচরেল এক্তিভিষ্টনি। য়াম্বুংগী খোঙ য়াংঙি। থবক তৌবদা মী হৌদনা য়াম্বুং মথন্তা মহাক্লা পাল্লিবদু ফংনবা, খঙনবা চৎপা ঐনা ঙল্লিঙৈদগী থেংনরকই,মাগী মতৌ ঐখোয়সু তম্মী। মিৎতা উরি নহা ওইরিঙৈ য়াম্বুংগী গাড়ি মচা,কোক্তা উপ্পবা ট্রাফিক পুলিসনা উপ্পবা হেলমেট মানবা টুপি, খোংগ্রাউব্লু-ব্লেক, ফুরিৎ অতিয়া মচুগী খুদাং ককপা লিৎপা। ঐনবু ফাগী হেক হেক তৌই। য়াম্বুংদি হিন্দি ফিল্মগী এক্টর ফিরোজ খান মাল্লি । তশেংনমকসু য়াম্বুংদি মণিপুরগী ফিরোজ খাননি।

য়াম্বুং এ জি ওফিসকী ওডিৎ সেক্সনগী একাউন্টেন্ট ওফিসার ওইনা থবক য়াম্না চিল্লকপা মীশক্লি। চিনখ্রবা মরক্তগী হাইদোক্লগা থিয়েটর,সিনেমা অমদি খোরিরোল শুবা অমসু ঙল্লিঙৈদগী ওইরকই। ঙল্লিঙৈগী স্কোলারশিং প্রোফেসর এলাংবম নীলকান্ত, প্রোফেসর চোংথাম মনিহার,জি সি তোংব্রানচিংবগা লোয়নরকখিবা মীশক্লি। ফিল্মগী লমদা ঐগ্য শ্যাম শর্ম্মা, ইমাসি বীনোদিনি, ঐগ্য ইবোহল, থোঙ্গ্রাম পাবুং হরিদাস নক্লা তিন্নখি। মাগী নক্লখিবা ঙল্লিঙৈগী মরুপ, ডিপার্টমেন্ট অমত্তদা থবক তৌমিন্নখিবা পুখ্রম্বম শামু অমদি তামো রতন থিয়ামগা লোয়ননা থিয়েটরগী অমদি খোরিরোলগী অকনবা মুভমেন্ট হৌরকখিবগী ৱারী ঐখোয়দা য়াম্না লীবিরম্মী। দ কলচরেল ফোরমগী ঙল্লিঙৈগী মরুওইবা থৌমী অমসু ওইরকখি। সাহিত্য পরিষদ. নহারোল সাহিত্য প্রেমি সমিতিনচিংবগী অহল লমন নহারোল অইবশিংগা ঙাইহাক লৈতনা উন্নদুনা লমদমসিগী নাৎ অমদি খোরিরোল চাউখৎনবা ঙল্লিঙৈদগী য়াওরকখিবা অমসু ওইখি। মতম অমগী খোরিরোলগী চেপ্টর ‘লসানি’ য়াম্বুংগী কাউঙমখিদবা ৱারীনি। কনাডাদা লৈরিবা শোনী মহাক্কী মরুপ্নি। য়াম্বুং বিদুরগী তোপ তোপ্পা শকলোন অমনা খোরিরোলদগী হাইদোক্লগা পরফোমিং আর্টলোমদসু খুৎ থারম্বা নৈনমী অমনি। অরীবা ফম্বাক লীলা,লমদমসিগী গ্রামোফোনগী ঈশৈগী মরমদা য়াম্না শৈশক শৈদা খঙঙি শকপা হৈ। অরীবা ঈশৈ, উরদু লোল,গজ্জল নৈনখিবা খঙখিবা মীশক্লি। খুতামচাগী ফাগী ফাওবা খঙলম্মী। মহাক্লা শোকলমদবা থেংলমদবা লৈখিদে হায়বমক য়াই খঞ্জে।

ফিল্ম সোসাইটিগী মুভমেন্ট মণিপুরদা ইহৌ শাগৎপদা মরুওইবা থৌদাং লৌরকই। হিজম পাবুং রোমোনিগা লোয়ননা মণিপুর ফিলম সোসাইটি মুভমেন্ট কনখৎনবা ৱা তান্নখি অদুবু য়াম্বুংনা ইম্ফাল সিনে ক্লবকী সেক্রেটরী থৌমী ওইনা কন্না পুরুবনা মায়পুনবা ঙমখিদে। অহল লমনশিং লোয়নবা তিন্নবা, ৱা তান্নবা থবক থৌরমশিংদদি অদুমক পুনখিবা ঐখোয়না খঙজহৌখি। ঐনা নীংশিংজবদা ইম্ফাল সিনে ক্লবনা পাংথোক্তুনা শীনখিবা চৈচৎ কুমশীং ১৯৭৩গী মপান লমগী ফিল্ম ফেষ্টিভেল পুশিল্লক্তুনা মণিপুরদা পাংথোকখিবা অনৌবা ফিল্ম মখন ময়াম উহনবা ফংহনখিবা, ফিল্মগী মরমদা নৈনখিবা ৱার্কশোপ ময়াম অদুগী কোইচেন চেনখিবা য়াম্বুং বিদুরনি। ঐখোয়দা ফিল্মগী ঈরিক চোংহনখিবসু য়াম্বুংখোয়না পাংথোকখিবা সিনে ক্লবকী থৌরমশিং অদুদগীনি। সিনে ক্লবকী থৱায় য়াওবীখিবা য়াম্বুংগা লোয়ননা চেন চোংবীখিবা মীওই কয়া হৌজিকসু ঐখোয়গী ইরক্তা লৈরি। য়াম্বুং নীংশিংলকপদা ময়াম অদুবুসু নীংশিংজরকই। মণিপুর সিনেমাগী হৌগৎলকপা খোঙজেল য়াঙনা চেনখৎলকখিবসি য়াম্বুং বিদুরখোয়না শেমখিবা ইম্ফাল সিনে ক্লব অমদি পাবুং হিজম রোমোনিগী ফিল্ম সোসাইটি অনী অসিনা চাউনা তোর্বান অনীনা চপ্পগা লাইজা তুরেল ঙাকলকপগুম মণিপুরী সিনেমাগী ইচেলদা মতেং পাংলকখি। সোসাইটি অমদি সিনে ক্লবকী ঈহৌ লৈরমদ্রগদি মণিপুরী সিনেমাগী খোঙচৎ লেপলমখিবসু য়াই। কবি লাইশ্রম সমরেন্দ্রনা হায়বীরম্মী আর কে বিদুরনা মখা তানা হোৎনরমদ্রগদি মণিপুরদা ফিলমগী নৈনবা সোসাইটিগী ইহৌসি তৎখিরম্বা য়াই। ৱাফমসি চুম্মী হায়না ঐনা থাজখি। য়াম্বুং বিদুরগা লোয়ননা হিজম পাবুং রোমোনিগী মনাক্তা ঙাইহাক লৈতনা ফিল্ম সোসাইটি ইহৌগী ৱা তান্নবা চৎখিবা মতম অমসু লৈখি। মণিপুরী সিনেমাগী অমদি ফম্বাক লীলাগী নৈনমী ঙল্লিঙৈদগী মশীং য়ামলকখিদে। হৌজিকসু য়ামদ্রি হায়জনিংঙি। জি সি তোংব্রা, এলাংবম নীলকান্ত, য়াম্বুং আর কে বিদুর,ওজা নোংমাইথেম অতৈ খরা নত্তনা মতীং লৈনা নৈনবীনবা মশক নাইবা তাঙলি। অহল লমনশিং ওজাশিং অসিগী তুংইনবা নৈনমী হৌজিকসু লৈত্রি হায়বা য়াই।

য়াম্বুং আর কে বিদুরনা নুংঙাইতনা শোনখিবসি মণিপুরগী সিনেমা হোলশিংদা মতম অমগী সিনেমা হোলগী মশক অমা মাঙখিবিসিনি। ইম্ফালগী সিনেমা হোলশিং ইম্ফাল টকিজ, প্রটাপ সিনেমা ভিক্টোরি সিনেমা, ফ্রেন্স টকিজ, উষা সিনেমাগী হোলশিংনা লান মতুংদগী তপ্পা তপ্পা মখল কয়াগী সিনেমা উৎতুনা ঈশৈ পামহনখিবা, নুংশিবা মরৈবাক নীংবা অথৌবশিংগী ৱারী, লাই তীনগী ৱারী, ইমুং মনুংগী ৱারীশিংদা চম্না পুথোকখিবা ফিল্মশিংনা মতম অদুগী মীরোলশিংগী পূন্সিরোলদা মতেং পাংলকখি। মণিপুরগী থিয়েটর, ফম্বাক লীলা, শুমাং লীলা ফাওবা অঙনবা মতমগী ফিল্মশিংগা থাদোক্লবা য়াদবা মরি লৈনরকখি। মতম অদুদা পুথোক্লখিবা ফিল্মগী ৱারীশিং, ঈশৈ-নোংমাই, উখিবা জগোয়শিং ফিদম্নিংঙাই য়াম্না ওইখি, নাৎকী থাদোক্লবা য়াদবা পোৎশকশিংদা য়ুমফম ওইরগা শাগৎখিবা পোৎথোক ঙাক্তনি। নুংশিবা ইমুং মনুংগী ৱারী, মরৈবাক নীংবগী ৱারী,লাই তীনগী ৱারীদা পুথোকখিবা ফিল্মশিং উরুরগা মিৎতা পী তাখিদবা মী লৈখিদে। হোলদা সিনেমা য়েংবা চৎনবগদীদমক ইমুং মনুং হুপ্পা পূন্না চৎমিন্নখিবা কয়া ঙসিগী মীরোল অসিনা মণিপুরী সিনেমা হোলশিংদা উবা ফংলকখিদ্রবনি। হোংলক্লিবা অহোংবশিং অসিনা কায়থরক্লিবা লমচৎ,ৱাঙাং, নহা অহলগী মরক্তা লৈনরকপা থক্সি খাসি কয়া অসিদা য়াম্বুংসু য়াম্না পেঞ্জখিদবনি। মণিপুরদা সিনেমা করম্না লাকখি, ফম্বাক লীলা মতম অমগী রুপমহল, অরয়ান থিয়েটর, মণিপুর ড্রামাটিক য়ুনিয়নগা মণিপুর সিনেমাগী খোঙহৌগা লৈনরকখিবা মরীগী মতাংদা খন্ন-নৈনমিন্নখি। য়াম্বুং রাজকুমার বিদুরনা অহল অমা ওইনা লুচিংলগা মণিপুরদা সিনেমা শিথরক্লিবা, হোলশিংদা সিনেমা উৎখিদবদগী শিথরকপা কয়াবু থিজিনবগী খোঙচৎ লৈখি। চৎলিবা চহী ২০২১অসিমক য়াম্বুংখোয়না হৌদোকপীরকখিবা মণিপুর সিনেমাগী খোঙচৎনা চহী য়াঙ্খে শুরকপগী গোলদন জুবিলি সেলেব্রেসন হৌখিবা এপ্রিল ৯দগী চহী অমা চুপ্পা পাংথোকপা হৌরিবনি।

সেলেব্রেসনগা মরী লৈননা মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরিবা মণিপুরী সিনেমাগী পুৱারী অমত্তং চহীসিদা থমলমসি হায়দুনা কন্না ৱাতান্নদুনা লাইরিক ওইনা পুথোক্লবা হোৎনবীরমখি। অতোপ্পা অমনা হৌখিবা চহীসিদগী পাংথোকপা হৌখিবা ঙাংবম নিমাইগী মরমদসু য়াম্বুংগা লোয়ননা লাইরিক অমা ইনবগী পোরমসু কাংমিন্নখিবনি। ঙসিদি পুম্নমক অয়ূক্কী সিঙ্গারৈনা নোংঙাল্লকপদা কেল্লম্বগুম খাংঙুথক্তা মাঙখ্রে। অৱাৎপা অসি কনানা মেনশিনবীগনি। য়াম্বুংগুম্বা লমজিংবীনবা অমা য়াওদনা ঙসিগী হৌরক্লিবা মীরোলনদি অরুবা ওইগদৌরি। মণিপুর সিনেমাগী নৈনমী অমা ওইনা সনাগী থম্বাল সৌনকমল এৱার্দ ফংখ্রবা য়াম্না তাঙলবা মীশক অমনা লৈখিদবগী পাউ তাবদা থম্মোয়দা তাশোন্না থিল্লখি। সনাগী থম্বাল, ফংখিবা য়াম্বুংবু ইয়াইদা শাৎলিবা ঙসিগী থম্বালনা খঙবীখিদবসিনা মপুং ফাখিদ্রবা মণিপুরী সিনেমাগী ইতিহাস ওইহৌরে। মিৎতা উরি অপীকপা টেবল মথক্তা ইবা হৌরম্বা চেনা ময়াম্না চাইথোক্তুনা লৈবা মণিপুরী সিনামাগী হৌরক ৱারীশিং ,খবর কাগজশিং, মেগজিনশিংদা ইখিবা ৱারেংশিংগী পেপর কটিং ময়াম, ফোটো মচা মচা ময়াম ..। মণিপুররী সিনেমাগী পুৱারীগী ৱারী অসি মখা কনানা ইহৌগদগে ? অনৌবা মীরোল অমনা ইরগসু য়াম্বুংনা ইবিরমখিবা অদুগা মুক্কী মচুদি মান্নররোইদো ।

*- মাখোনমনি মোংসাবা*

# রাগ দরবারী-৯৯

**হিন্দীদা - শ্রীলাল শুক্লা**

থৌদোক অদুগী নীনিশুবা নুমীৎ !

চানবা বাদাম লোইখ্রে। বাদাম লৈনবগীদমক রঙ্গনাথ শিবপালগঞ্জদা কোয়থি থীদুনা চৎলম্মী। মফম অদুদা পন্সরিশিংগী দুকান অহুম-মরী লৈ। দুকানশিং অদুদগী তোঙান-তোঙানবা ৱাফম খরা খঙবা ঙম্লকখি :

“হৌজিক মতম অসিদা বাদাম কনানা য়োনগদৌরিবনো? বাদাম চাগদবশিংসু কদাইদা চৎখ্রে? বাদামবু পুকনুংদা তুমহনবা হায়বসি অরাইবা থবক্লা! বাদাম চারগা মদুবু তুমহন্নবগীদমক মশা ফর-ফরবা বোদি বিল্ডরশিং ফাওবা হুমাং অনপ্পী কানরিবনি। অদুগা অমরোমদনা বাদাম কনানা লৈগদৌরিবনো? গেহু-চানাসু বাদামগী মমলদা য়োন্নরি। বাদাম, ফংবু ফংলবদি ফরবনি। বদ্রি শাফবসু হান্না বাদাম চারম্বনি, মহাক্লা বাদাম চারিঙৈ মতম অদুদি ঐখোয়সু বাদাম দুকানদা থল্লম্মি। হৌজিক মহাকসু শঙ্গোম অমদি ঘি ওইনা শীজিন্নরে। মহাক্কী মনাউনুপা রুপ্পননি, মহাক উচেক্কুম্না ময়া কাথোক্লদুনা চা অমদি বিস্কুটকী মতেংনা হিংলি।”

“হৌজিক মফম অদুদা বাদামকা ফংখিদ্রে। তশেংনা হায়রবদা হৌজিক বাদাম মমিং খক্তা ঙাইরে। য়াম্না ফবা অহাউবা বাদাম হৌজিক কদাইদা লাকইবগে? লাক্লবসু সিটিদগী হেন্দোরক্তরে। কৈথেলদা লাকপা ফাওবা ঙমদ্রে। অনৌ-অনৌবা শেল পায়বা ফম্নাইবশিংসু লাক্লে। মখোয়না বাদাম লৈ-লৈদুনা লড্ডু শেমদোকই। অতোপ্পগী খন্দনা চাথোক্লগা মথী ওইনা ফাইদোকই।”

“বাদামসু কা হেন্না ফবা পোৎশকতি নত্তে। পুক কংখৎহল্লি। বাদাম কিসমিস য়াওদনা চাবা হৌনদে। কিসমিস অফবা পোৎশক অমনি। কিসমিস অশোনবা মীশিংগী ওইনদি হীদাক মখল অমনি অদুগা মশা ফবা মীওইশিংগীসু পুকপু য়াংনা থম্বা ঙমহল্লি।”

“কিসমিস লৌগদ্রা? য়েংউ, মসি অশেংবা কিসমিসনি। মফম অসি শিবপালগঞ্জনি মরম অদুনা মফম অসিদা পূম্নমক ফংগনি। সিটি ওইরল্লবদি মরি-মঙারক্তি কোয়চেন-চেন্দুনা থিনগদৌরিবনি। পোৎ অসি অতৈদা ফংলোই।”

হামেংগী মথিগুল্লবা কিসমিস য়েংনা-য়েংনা রঙ্গনাথনা চপ য়ুংনা খল্লি মদুদি খুঙ্গংদা লৈবা য়াবা পোৎ হায়রগদি শুপ্পগী চহী ৫০গী মমাংদা মৈথিলিশরন গুপ্তনা উখিবা অদুনি।

শিবপালগঞ্জদগী কিলোমিটর অনীরোম লাপ্পা চৎলগা অতোপ্পা খুঙ্গং অমদা পন্সরিশিংগী দুকান খরসু লৈ। মফম অদুদা অফবা মখলগী বাদাম ফংলম্বা য়াই। রঙ্গনাথ মফম অদু তান্না চৎখি। লম্বী অদু ফনা শাংনা খোঙনা চৎলম্মী। অদুবু মীওইবনা ঙসি মার্স প্লানেট অমদি থা লৈবাক্তা চৎনবা থৌরাং তৌখ্রবসু মফম অদুগী লম্বী অদুদি ঙসি ফাওবা অখুবা লম্বী, লৌবুক ফাওদুনা অমদি খোংবান কয়া ফাওদুনা চৎপা তারম্মী।

অফবা মীওই মানবা অমা মফম অদুদা চৎতুনা লৈরম্মী। রঙ্গনাথ মহাক্কী মতুংইন্না চৎলম্মী। নুপা অদুনা মঙোন্দা নহাক কনাগী মচানো হায়না হংলকই। মহাক্লা হায়, ঐহাক ৱেদ্যজিগী মচা-মশুশিংনি।

নুপা অদুনা ইকায়খুম্নবগা লোয়ননা হায়রকই, নঙগী মীং ঐনা তাখ্রে। ঙসিদি উবা ফংলে। নহাক লাইরিক লাইশু য়াম্না হৈবা মীনি হায়না তাই। বি এ, এম এ লোইরে হায়। রঙ্গনাথনা মদুগী পাউখুম ওইনা লম্বী অসি য়াম্না ফত্তে হায়না খুম্মী। লম্বী অসিদা করিগী মীয়াম্না খোংনাংগী উশাশিং অসি য়ুংশিল্লগা থল্লিবনো। মহাক্লা পাউখুম পীরদুনা হায়, মফম অসিদা ঙাঙবিনবা কনা লৈরিবগে মানা-মানা পাম্বা অদু অদুমক তৌনবনি। কনা অমনা লম্বীদা ফত্ত-হৌদি তৌশিল্লি, কনা অমনা খোংনাংগী মশাশিং য়ুংশিল্লি। রঙ্গনাথনা হায়, মদু করিগী তৌরিবনো? খুঙ্গং অসিদা পঞ্চায়টতি লৈরিবনি। মহাক্লা হায়, হোয়, পঞ্চায়টতি লৈ, অদুবু মখোয় শুপ্পগী ফাইন খক্তা থিহল্লি। জমিন্দার লৈরিঙৈ মতমদদি ফু-চৈরম্বনি। মহাক্লা হায়রম্মী হিন্দুস্তান অসি লমহুইশিংগী লৈবাক অমনি। ফু-চৈবা তৌদ্রবদি য়াদবনি। জমিন্দারগী মতম লোইখ্রে, অদুনা ফু-চৈবগী থবকসু অদুমক লেপখ্রে। অদুনা য়েংউ, গভর্ণমেন্টসু য়েংশিনফম থোকপনি। নুমীৎ খুদিং মফম অমদা নৎত্রগা অমদা অদুমক খৎন-চৈনবা, নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অদুমক থোকপনি। ওইরিবা ফীভম অসি শেমদোকপা পাল্লবসু করিবু তৌগদৌরিবনো? ফুদ্রবদি হায়বা ইন্দে। গভর্ণমেন্টসু হৌজিক্তা খঙলক্লল্লগনি জমিন্দারগী চৎনবি লোইখিবদগী লেমহৌরিবা অশেংবা পোৎশক হায়রগদি শুপ্পগী খোংউপ খক্তা ঙাইরবনি। রঙ্গনাথনা হায়, ৱাফম অদু য়াদেদা, খোংউপকী মতেংনা কয়াম কুইনা মীবু কীহন্দুনা লৈগদৌরিবনো? নুপা অদুনা হায়রকই, খোংউপনা ফুথবগী থবক্তি লমহেনবশিংগী মকোক্তা মশম অমা হেক হৌরিবমখৈ অদুমক মখা তানা চৎথবা মথৌ তারি, খোংউপনা ফুথবগী থবক লেপ্পা য়াদ্রি।

নুপা অদু শাওরম্মী, মরম অদুনা রঙ্গনাথসু তুমিন্না লৈ। ঙাইহাক তুমিন্না চৎলবা মতুংদা নুপা অদুনা ইখঙ খঙহৌদনা হায়রকই, “বি এ তৌবগা উকিল ওইবগা কনানা হেন্না চাওবগে?”

রঙ্গনাথনা হায়, “অচৌবা-অপীকপা লৈতে, চপ মান্নে।”

“অদুবুদি ঐসু খঙইদা। গ্যান-মেন তাদ্রবা লৈবাক অসিদা অচৌবা-অপীকপা লোইনমক চপ মান্নরে। অদুবু তশেংনা হায়বিয়ু উকিলনা চাওবরা নৎত্রগা বি এনা হেনবরা?”

রঙ্গনাথনা ৱাফম অদু থৈদোক্লবা হায়, “উকিলনা চাওই।”

“অদু ওইরবদি খঙউ ইবুংঙো ঐগী ইচানুপাদু উকিলনি।”

রঙ্গনাথনা হংই, “মহাক কদাইদা লৈবগে?”

উকিল মপা অদুনা পোংলদুনা হায়, “উকিলনবু কদাইদা লৈগনি হায়বগে? মহাক খুঙ্গংদা লৈতে, সিটিদা লৈখ্রে। চহী অহুম হেন্না মফম অদুদা উকিল ওইদুনা থবক তৌরি।”

“অদু ওইরবদি মহাক অচৌবা মমিং চৎপা উকিলশিংগী মনুংদা চল্লমগনি।”

“অচৌবা নত্তে, য়াম্না চাওখ্রবজাৎনি। নখোয়গী খুঙ্গংগী জোগনাথতো খঙইদনা! মহাক্কী মীনি হায়বা য়াই। ৱেদ্যজি ফাওবা করিমত্তা তৌবা ঙমহৌদ্রবনি। ইন্সপেক্টর অদুনা বেল পীবা ঙমখিদে। মফম অদুনা মহাক্লা য়াম্না লায়না বেল পীবিখিবনি।”

“মহাক ইনাকখুনবা মীওইশিংগা অফবা মরি লৈ। কেস অদুগী এপ্লিকেসন ঐনা থাহনখিবনি। মহাক্লা লুপা ৫ ঐঙোন্দসু পীরম্মী।”

রঙ্গনাথনা উকিলগী মপা অদুদা নহাক্কী নচানুপা উকিল অদুদি শেল য়াম্না তাল্লম্লগনি হায়বা পাল্লম্মী।

নুপা অদু চেকশিন্না লৈরম্মী। মহাক্লা তুং ওন্থোক্লগা রঙ্গনাথকী মমায়দা য়েংলকই অদুগা খোঞ্জেল মেংনা হায়রকই, “অফবা হায়বদু ওইরে, অমবু ওইরো অমবু ওইরে মহাক নুংঙাইনা লৈরে! শেল তানবগী ৱা ওইরগদি হৌজিক নঙগী মাম্মাসু শেল য়াম্না তাল্লদাইনে!”

“মঙ্গে খরা পুন্দুনা কনাগুম্বা মীওই অমদা য়োল্লবদি লুপা অমদা ফাওবা য়োনবা য়াগনি। মতম মতমনা পুরকপা হায়বদুনি।” মহাক্লা মশাগী ইকাইবা অদু লোৎশিন্নবা হোৎনরমদে। মহাক খুঙ্গংগী অশেংবা মী অমা ওইনা ময়েক শেংনা ৱেদ্যজিগী মথক্তা অশাওবগা লোয়ননা মথং-মথং ঙাঙথরক্লম্মী। “করমহায়না অচৌবা নেতা ওইখ্রিবনো। হান্নদি য়াম্না ফবা, চম্বা মী অমা ওইরম্বনি। হৌজিক্তি মরেপ অমা ফাওনা মহাক লৈবাক মনুংদা চঙখ্রে। ময়ুংদা ফাওবা মৈ চাক্লে।”

অরোইবদা মহাক্লা হায়, “অদুবু ইন্সপেক্টরনা জোগনাথগী মতাংদা ইন্টরেষ্ট অমত্তা লৌখিদে। অদুগা কায়নথংদা য়োংগী মতৌগুম মরাল শীজিন্দুনা জেলদা ওইনা থাখ্রে।”

মহাক্লা হৌখ্রবা ৱারী অদু অমুক হন্না হায়রকই, “ঐগী ইচানুপানা বেল পীবিরমদ্রবদি জেলরগী অঙাংশিংবু পম্বিদুনা চাক ইনদুনা লৈরমগদবনি।”

“কোর্টতা করম কান্দা পুথোক্কদৌরিবনো?”

“জোগনাথকী কেসকী মতাংদা? অপঙবা অদুগী মতাংদনিনে ! মানা হেক পাম্বা নুমীৎতা কোর্টতা অদুমক পুথোক্কনি। ঙসি-ঙরাং ঐগী ইচানুপা য়ূমদা লাক্তুনা লৈরি। নুমীৎ মরি-মঙানিগী মতুংদা সিটিদা অমুক চৎখ্রগনি। মদুগী মতুংদা মরাইনা শিঞ্জরক্কনি।”

মখোয় অনীনা চৎলিবা লম্বী অদু য়াম্না কুৎপা লম্বী অমদনি অদুগা মায়কৈ মরিমক্তা উমং-ৱামং য়াম্না লৈরম্মী। অচৌবা উ-ৱাতনা পীক থনবা অচৌবা উমং অমনি। হৌরিবা পাম্বী খরসু কংখ্রে। লম্বী অদুদা চৎপদা উ পাম্বীশিং অদুদা থেংলম্মী।

অৱাংবা নাপীশিং অদু লম্বী অদুগী নাক-য়েৎতা পাকশন্না হৌরম্মী। নাপীশিং অদুবু হায়দোক-হায়দোক্তুনা চৎপগী মহুৎতা রঙ্গনাথনা নাপীশিং অদুবু পায়রগা মতুম-মতুম পুনশিল্লম্মী। লম্বী অদু খরা-খজিক শিৎ নাল্লম্মী। মমাংদা হৌরিবা অৱাংবা নাপী অদুসু মহাক্লা অতৈ নাপীশিংদা পুনশিল্লম্বগুম মতুম তানা পুনশিল্লম্মী।

**মীতৈলোন্দা - ডা. খাইদেম অথৌবা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।